

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*৮শুবা সোটগন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী স্কিট ইভেন্টতা ৱার্ল্ড রেকোর্দকা মান্ননা পোইন্ট ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অঙ্গাদ বির সিং বাজৱা*

*নেক্স জেনরেসন এটিপি ফাইনেলসকী গ্রুপ 'এ'গী মেটচ অমদা স্পেনগী মুনারবু মায়থিবা পীরম্বা গ্রিসকী ষ্টেফানো সিটসিপাস*

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

## চেন্নাইন এফসিনা এফসি পুনে সিটিবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে



*চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা পুনেগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*পুনে, নবেম্বর ০৬ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা চেন্নাইন এফসিনা এফসি পুনে সিটিবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিদা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা লৈবা শ্রী সিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা পুনেগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌখি।

শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা আশিক কুরুনিয়াননা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল শোথরবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু পুনেগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মেলসননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মিনট অনী লৈরগা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা গ্রেগোরি নেলসননা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমদুনা চেন্নাইননা পুনেবু ২–১ দা হেনবা ঙমখি।

ইকান কান্নদনা শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজি লথাদুনা চৎলিবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা ইনিগো কালদরোননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা চেন্নাইনদা শরুক য়ারিবা মণিপুরী মচা থোই সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪–১ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি। শান্নবগী অরোইবা মিনটতা পুনেগী শান্নরোই জোনাথন ভিলানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু চেন্নাইননা পুনেবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

থা অসিগী ৮ দা শান্নগদবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ মেটচ অমদা এফসি গোৱা অমদি দিল্লি দাইনামোস থেংনগনি।

## রোহিট শর্ম্মগী সেঞ্চুরিনা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ৭১ দা য়াম্না চাওনা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রে



*লক্ষ্ণৌ, নবেম্বর ০৬ঃ*

ইন্দিয়ান অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রোহিট শর্ম্মগী সেঞ্চুরিনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ৭১ দা য়াম্না চাওনা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রে।

ঙসি লক্ষ্ণৌদা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা অহানবা বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা শুপ্পগী ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ১৯০ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম য়াম্না ফজখি। অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১০০ লাম্থোকপা ঙমখি। ওপনর সিখর ধৱন বোল ৪১ মায়োক্লবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৩ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট রন ১২৩ দা তুখি।

নৌনা চঙলকখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রিসব পন্ট টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অদুদা শুপ্পগী রন ৫ খক হাপচিনবা ঙমখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা লোকেস রাহুলনা ফিভম ফজনা লৈরিবা রোহিট শর্ম্মগা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা চথ্বরকখি।

ওপনর লোয়নননা টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা রোহিট শর্ম্মনা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৬১ মায়োক্লবদা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১১১ লৌরমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন রিসব পন্টসু আওট ওইদনা বোল ১৪ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৬ লৌবা ঙমখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ২ তুরগা রন ১৯৫ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্লবগী রন ১৯৬ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা শুপ্পগী রন ১২৪ লৌবা ঙমখিবদগী অনীশুবা টি–২০ মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ৭১ দা মায়থিবা পীখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম শোকখি। অপুনবা স্কোর ৫০ ফাদ্রিঙৈদা বেটসমেন ৩ আওট তাখি। ওপনর সাই হোপ অমসুং সিমরোন হেটমিয়র মথংশিংনা রন ৬ অমদি ১৫ লৌরমখি।

নৌনা চঙলকখিবা বেটসমেন দারেন ব্রাবোসু রন ২৩ হাপচিনবা ঙমখি। কেপ্টেন কার্লোস ব্রাথৱাইটেগী রন ১৫ অমদি ৯শুবা বেটসমেন কিমো পাওলনা লৌরম্বা রন ২০ অদু নত্তনা অতোপ্পা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন অমত্তা রন ১৫ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু মায়থিখিবনি।

## ইন্দিয়াগী ইলাভেনিল অমদি হ্রিদেগী পেয়রনা ৱার্ল্ড রেকোর্দকা মান্ননা কাপ্তুনা ১১শুবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে



*কুৱেট সিটি, নবেম্বর ০৬ঃ*

ইন্দিয়াগী সুট্টর ইলাভেনিল ভালারিয়ান অমদি হ্রিদে হজারিকানা ১১শুবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিম ইভেন্টতা ৱার্ল্ড রেকোর্দকা মান্ননা কাপ্তুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিম ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী ইলাভেনিল ভালারিয়ান অমদি হ্রিদে হজারিকানা পোইন্ট ৫০২.১ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। মখোয় অনীনা ঙসি ফংখিবা পোইন্ট অসি ৱার্ল্ড অমসুং এসিয়ান জুনিয়র রেকোর্দকী হান্না লৈরম্বা পোইন্ট অদুগা মান্নবা ঙমখি।

ইলাভেনিল অমসুং হ্রিদেনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৮৩৫.৮ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তারগা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকপনি।

মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা চাইনাগী পেয়র সি মেংয়াও অমদি ৱাং য়ুফেংনা পোইন্ট ৫০০.৯ দা ফংখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র মেহুলি ঘোস অমসুং আর্জুননা পোইন্ট ৪৩৬.৯ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী পেয়র অসিনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৮৩৩.৫ ফংলগা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকপনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংবা ঙমখিবনি। মসিদা ঙসি মিক্স ইভেন্টতা গোল্ড ফংখিবা ইলাভেনিলনা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল জুনিয়র কম্পিটিসনদা ব্রোঞ্জ অমা ফংখি। অদুগা মহাক্না টিম ফোরমেটতা সিলভর মেডল অমসু হাপচিনবা ঙমখি।

১১শুবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১ সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেডল ৬ ফংবা ঙম্লি।

## ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টনদা পি ভি সিন্ধু নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, নুপাগী দবলস পেয়র মনু অত্রি অমদি সুমিত রেদ্দি লৈহৌরে



*ইন্দিয়াগী নুপী সট্লর পি ভি সিন্ধু*

*ফুঝৌ, নবেম্বর ০৬ঃ*

চাইনাগী সিটি ফুঝৌদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ুএস দোল্লর ৭০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। নুপাগী দবলস পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী ই কোসেটসকায়াবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা রুশিয়াগী কোসেটসকায়াবু য়াম্না লাকচনা পোইন্ট ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা রুশিয়াগী কোসেটসকায়ানা ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু য়াম্না অকনবা লম্বা পীরকপদগী পোইন্ট মান্ন–মান্ননা চৎলল্লবা মতুং য়াম্না নক্লবা স্কোরদা ২১–১৯ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী বি ওংবামরুংফানগা শান্নরগনি।

থাইলেন্দগী ওংবামরুনফাননা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চাইনিজ তাইপৈগী লি চিয়া সিনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–৭, ২১–৯ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা কানাদাগী আর হোন্দরিচপু ২১–১৯, ২১–৯ দা থোইরম্লগা সাউথ কোরিয়াগী সুং জে হ্যুনগা শান্নরগনি। সুং জে হ্যুননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা থাইলেন্দগী জিন্দাপোলবু ২১–১৯, ২১–১০ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী কেন্টো মোমোটানা চাইনাগী লিন দানবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৫, ২৩–২১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

জপানগী মোমোটানা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কে সুনেয়ামাবু ২১–১০, ২১–১১ দা থোইরম্বা দেনমার্ককী ভিট্টিংগসকা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন লোংনা থাইলেন্দগী কে ৱাংচারোনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ১৭–২১, ২১–১২, ২৩–২১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী সু জে হ্যুনগা শান্নরগনি।

চাইনিজ তাইপৈগী সু জে হ্যুননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইজরেলগী এম জিলবরমেনবু ২১–১৭, ২১–১৩ দা থোইরমখি।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দি ৬শুবা সিদেদ দেনমার্ককী পেয়র আসত্রুপ অমসুং রাসমুসেননা ২১–১৮, ২৭–২৫ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী এস টানাকা অমদি কে য়োনেমোটোনা ইন্দিয়াগী পেয়র আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং এন সিক্কিরেদ্দিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২১–১৯, ১৫–২১, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## স্পেনগী লা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইস্পানিওলনা এঠলেটিক বিলবাওবু ১–০ দা থোইখ্রে, ইংলিস প্রেমিয়র লীগদা হদ্দর্সফিল্ড টাউন মায় পাকখ্রে



*ইস্পানিওলগী শান্নরোই অমনা এঠলেটিক বিলবাওগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্ননবা বোল কাওশিনবা*

*মাদ্রিদ। লন্দন, নবেম্বর ০৬ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ১১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ইস্পানিওলনা এঠলেটিক বিলবাওবু ১–০ দা থোইখ্রে। ইংলেন্দগী ফুটবোল লীগ ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা হদ্দর্সফিল্ড টাউননা ফুলহামবু ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা লৈবা আরসিদিই ষ্টেদিয়মদা ইস্পানিওল অমসুং এঠলেটিক বিলবাওনা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু মেটচ হেক হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নবা মিনট ৪০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা ইস্পনিওলগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা বোরজা ইগ্লেসিয়াসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা এঠলেটিক বিলবাওবু হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক কয়া তৌনখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু ইস্পানিওলনা এঠলেটিক বিলবাওবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা হান্না ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা মেটচ ১১ শান্নবদা মেটচ ৭ মায় পাকপা, ৩ দ্রো অমদি মেটচ অমা মায়থিরগা পুন্না পোইন্ট ২৪ ফংলগা টেবল লুচিংলি।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা হদ্দর্সফিল্ড টাউননা ফুলহামবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইবা ঙমখি।

হদ্দর্সফিল্ড টাউনগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা ফুলহামগী শান্নরোইশিং টিমোথি ফোসু–মেনসানা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সাউথমতনবু পাঞ্জল ৬–১ দা চাওনা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহানবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা চেলসিনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

## এটিপি ফাইনেলসতা সিটসিপাস মায় পাকখ্রে

*মিলান, নবেম্বর ০৬ঃ*

ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি মিলানদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলসতা গ্রিসকী শান্নরোই সিটসিপাস মায় পাকখ্রে।

নেক্স জেনরেসন এটিপি ফাইনেলস অসিগী গ্রুপ 'এ'গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টেফানো সিটসিপাসনা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী জোমে মুনরবু ৪–৩(৭–৫), ৪–৩(৭–৩), ৩–৪(৪–৭),

## ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মারখাম (কানাদা), নবেম্বর ০৬ঃ*

কানাদাগী সিটি মারখামদা চথ্বরিবা বিদব্লিএফ ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী অহৌবা টাইদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র বেদমিন্টন টিম অসি গ্রুপ 'ই' দা লৈখিবনি। ঙসি শান্নখিবা অহানবা টাইগী অহানবা মেটচ ওইনা লম্বা তৌনখিবা নুপাগী দবলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী কৃষ্ণ প্রসাদ গারাগা অমদি ধ্রুভ কাপিলানা শ্রী লঙ্কাগী পেয়র চিরাথ ইলেপুরুমাচি অমসুং গাভিন দুলসিথপু মিনট ২৩ চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১১, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী মালভিকা বানসোদনা শ্রী লঙ্কাবু দিলমি দিয়াসপু গেম ২–১ দা থোইখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেম শ্রী লঙ্কাগী দিলমি দিয়াসনা ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মালভিকানা কন্না হোৎনরক্তুনা য়াম্না লায়না দিলমিবু ২১–১১ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং গেমদা শান্নরোই অনীমক হৌরকপদা লম্বা মান্নরম্লবসু ইন্দিয়াগী মালভিকানা লাকশিনবা ঙমখিবদগী ২১–১৬ তা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

টাই অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা জুনিয়র ৱার্ল্ড নম্বর ৩ ওইরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা শ্রী লঙ্কাগী দুমিন্দু অবেৱিক্রামাবু শুপ্পগী মিনট ১৭ খক চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–৯, ২১–৮ দা থোইদুনা টাই অদু মেটচ ৩–০ দা মায় পাকখি।